# ''য়াই থারবা বুদ্ধি লৌশিং পঙশিল্লবা ভোটরদি ওইগুমসি''

## ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

### উশম ধরমেন্দ্র

ঐনা ৰাখল শুংতা হেক তাজদবা অমা ইরমদমসিদা হেক হেক মীখল ময়াদা উরি। হন্দক্কী মীখলসিদদি উরৱোইদ্রা খল্লুবনি অদুবু অদুম উরকপগুম তৌরক্লি। মদুদি মীখল ময়া হেক নকশিল্লকপগা মীচম মীয়ামসি 'য়াই থারবা' জীবগুম্না লাংলম্বা-লাউরম্বা-খোংলম্বা পুম্নমক চপ লেপখিবা পুঙপং পঙথখিবা অসিনি। অহল-লমনশিংনা হায়নৈ ''তাইবঙ শেম্না মপূনা মীওইববু চাং য়েংবা মতমদা নুংঙাইবদা খক লংশিল্লগা চাং য়েংদে, অৰা অনাদা লংশিল্লগা চাং য়েংই। মীওইবনা ৰারা-ৰারগা পুন্সিগী মশক খঙলকই'' হায়দুনা। মতাংসিদনি তাইবঙ শেম্না মপূনা মীতৈ মীয়াম অসিদা চাং য়েংবা লোইদ্রিবরা? অৰাবদা লংশিনবগী চাং ৰাৎলিবরা হায়বা ৰাফমসি লাক্লি।

লাঞ্জদবা মীতৈ মীয়াম্না নংলক্লিবা অৰাবা অসি চহী অমা ফাজিল্লক্লে। উা-উা অসুম হৌজিনখি। খঙনা খঙনা খঙহৌদে। নার্কো কুকি জৌ টেররিষ্টশিংনা মীতৈ মীচম মীয়ামদা নমদুনা লান্দাদুনা থোকহনবা লাননি। মণিপুরগী লৈঙাক্লসু রেল্লি হায়বসিদি অদুমক চৎনৈ অদুম্না হিংশা য়াওরক্কনি হায়বা থাজরুদে হায়না ফোঙদোকখি। হৌগৎলকপা মতমদা ক্রক লাউনা লাকশিনবা য়াবদু লাকশিনখিদে, সিক্যুরিটিগী অহোবা য়াম্না লৈখি। মণিপুর লৈঙাক্ল মখোয়গী অশোয়বা লৈজখি হায়বা য়াজখি। মমৈ তারকপদনা কমদৌরিবা। মমৈ তারকপদনা অৰা অনা নংলবা লাঞ্জেন্নরবা মীচম মীয়াম কাঙলূপ অনীমক্কী মীওইশিংদা অৰা তেংবাঙগী পোৎলম পীবা, খুন্দা লৈতাহনবগী থবক পায়খৎপরোমদা অদুম চথখ্রে। নার্কো কুকি জৌ মিলিটেন্টশিংনা মীতৈ মীচম মীয়ামদা লান দাদুনা থোকহনবা লান মপৃং ফানা লোইশিন্নবগী থবক্তি পায়খৎত্রি। মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দশিং সি ফাওবদি পীবা য়াই, সিদি য়াদে হায়বনচিংবা মপী-মপা ওইরিবা য়ুনিয়ন গর্ভর্মেন্টনা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিন্নবা থবক্তি পায়খৎতে। লান লোইশিন্নবা অকনবা থবক লৌখৎতবনা অদুম চথদুনা লৈরিবনি, করম্বা মতমদা লানসি লোইগানিসু খঙদে। আইন কায়না চঙশিল্লকপা ইম্মিগ্রেন্ট কুকি মিলিটেন্টশিং য়ু এস এ, চাইনানা শাবা অফবা মখলগী নোংমৈ, বোম শীজিন্নদুনা মতা ফবা চিংমাইদগী মীতৈ খুলশিং তম্না এটেক তৌনীংবা মতমদা তৌদুনা লৈরক্লি।

অদুগা অফবা মখলগী খূৎলায়শিং অদু অনৌবা নহাশিংদা তন্নীবগী মতম লৌবগীরা ঙাইহাক-ঙাইহাক মতম লৌদুনা নোংমৈ, বোম কাপ্পা লেপ্পদনা মণিপুর লৈঙাক্ল মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিল্লক্লে হায়দুনা পঙলাউদা লাউই। অমুকসু মণিপুরগী গর্ভর্নরনা মরক মরক্তা পাউমীশিংদা তোয়না হায়বা ৰাহৈনি য়ুনিয়ন লৈঙাক্ল মণিপুরগী ঈৰাং অসি কৃপ্পা য়েংশিল্লি, শান্তি পুরক্লবা হোৎনরি। মসিগী মথক্তা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তক্তনা হায়রিবনি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরগী ইস্যুবু লুম্না লৌবীরি। চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎপীরি হায়বনচিংবা। মতাংসিদসুনি ঐনা ৰাখল শুংতা হেক তাজদ্রিবসিসু। প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরবু নুংশিবীরবদি কৈদৌগে অসুক কুইরবা চহী অমা মপৃং ফাজিল্লক্লবা লান অসি লোইশিন্নবা অকনবা থবক খবদি তৌথোকপীরকউদনা। মণিপুরগী এম এল এশিং পুম্নমক নৎত্রবসু কাঙলূপ অনীগী লুচিংবশিং দেল্লীদবু কৌগেরা মফম চাবা অমদা কৃপ্পা ঈৰাংসি লোইশিন্নবা ৰারী শানবসু য়াই, মদুসু তৌদে। হন্দক্তসু অসাম ফাওবা লাক্লম্মী, মণিপুরদদি য়ৌশিল্লক্লমদে। করম্না খুনুংশিনো প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুর নুংশিবীরিবসি ঐ ৰাখল শুংতা তাদে হায়রিসিনি। ইন্দিয়াগী লানগী জহাজ অমবু ইম্ফাল থোল্লে, মাউন্ট হেরিএটপু মাউন্ট মণিপুর থোনখ্রে হায়দুনা অদুমক পেন্থোক্তুনা লৈরো হায়রিবরা, ঐ ৰাখল তাদে হায়রিসিনি।

মীতৈ অহলশিংনা হায়নৈ ''য়োৎ হায়বা জাৎসিদি শারিঙৈদা মওং তানবা য়ৈয়ু'' হায়দুনা। মতৌ অসুম্না আইন কায়না চঙশিল্লকখিবা ইম্মিগ্রেন্ট কুকি জৌ মিলিটেন্টশিং অসিদি শারিঙৈদা য়ৈহৌগদবনি। মণিপুরদা নখোয়না লম হেনবা য়াদেকো হায়বা খঙহনগদবনি। য়ৈগে হায়রবদি ষ্টেট লৈঙাক্ল য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মতেং লৌগেরা লৌরোইরা নহায়া য়ৈবা য়ারেনা 'ইন্দিজিনস ত্রাইবেল লিদরস ফোরম' কয়ানা তশেংনমক্তি 'ইম্মিগ্রেন্ট ত্রাইবেল লিদরস ফোরম' হায়গদবনি। ইন্দিজিনস হায়বা ৰাহৈগসু শমজিন্নরি। হুরানবসি স্বাইদগী ফোরম শেন্দ্রদগী অদুম হৌরে। ঐখোয় মীতৈ মীয়াম্না পুকচেল চাউরিঙৈ খঙশিন উশিন্নদনা লৈরিঙৈ মণিপুর পুম্না হুরানগে, মখোয়গী ওইনা পুরা মমিং ওন্থোক্লগে 'নামা পাল্লগে' হায়বগী ফীভমদা লৈরক্লে। মিংবু পংওন ওনবা য়াবরো, মীতৌনা থাংজিং কৌরবসু ঐখোয়না 'থাংতিং' কৌজবনি হায়বসিবু য়াবরো। 'অমেরিকা' সি মীতৌনা পুথোকখিবনি মীতৌনা থোল্লম্বা মমিংনি 'আদা উরে মৈরি কাবা' হায়বদগী অমেরিকা থোনখিবনি হায়বা ৰারীদু নীংশিংলকই।

লম হেনবা মমা মপানা লুনা তৌবা অঙাংনা নীংঙাইগী চাং অসুম হেনগৎলকপগী থৌদৌদুনি মখোয়না তৌরিবসি অমুক্ত ফজনা য়ৈরগা ফগদবনি। চহী লিশিং অনী হেনবগী মীতৈ নেসনেলিজম, মীতৈ সিভিলাইজে সনদা শীংনরকপা অসি তরাইনা লৌফম থোক্তবনি অমসুং মদুবু নার্কো কুকি জৌ মিলিটেন্টশিংনা শীংনবগী পান্ঙল করম্না লাক্লিবনো হায়বদুসু ঙসিগী মীতৈ ফুরুপ্পা মদুগী লিখুন থিমিন্নগদবনি। হন্দক্কী নার্কো কুকি জৌ মিলিটেন্টশিংনা মীতৈ মীচম মীয়ামদা লান্দাদুনা নমদুনা নংহনবা অৰা অনা, মীশি মীনা ময়ামসিনা মীতৈশিংদা অচৌবা কান্নবা অমসু পীরে মদুদি মীতৈ মশীং অসি অপূনবা শক্তি অমা শাগৎকদবনি, লিংজেল মান্নগদবনি হায়বদু তন্নীরে। নার্কো কুকি জৌ মিলিটেন্টশিংনা তৌনীং তৌনীংবতা তৌরিবা মখোয়না নম্না খুন্দারিবা মীতৈশিং চঙবা ঙমহন্দ্রিবা, মীতৈশিংগী মোংফম ওইহল্লিবা, মায়োক্লবা লানফমদা লাক্ছেংনবসু নক্তবদা নুপী অঙাং অশোন অনা কয়াবু মীওইবগী মীনুংশি মচেৎ অমক্তা য়াওদনা হাৎলিবা পুম্নমকসি য়েংলুরগদি নহান্না মখোয়সি মপৃং ফানা য়ৈথদুনা তৌবা য়াদেকো হায়বদু খঙহল্লগদবনি। অদুবু মখোয়না তৌরকপা থবক্তা য়ুনিয়ন লৈঙাক্ল অদুমক য়েংদুনা লৈরি। মসি ওইরমাল্লে য়ুনিয়ন লৈঙাক্ল মণিপুরগী ইস্যুগী মতাংদা মুম্না য়েংদুনা লৈরি হায়রিবসি।

মীতৈ ফুরুপ ঐখোয়না খোইরাং খোইশাউবা ৰাখিবসি ফম্না ফজনা ৰাখিকো হৌখিবা চহীগী মে ৩গী মতুং থা অনী/অহুমদো। ইন্টরনেটসু থিংজিনখিগুম তৌ, থবক অমা থোকপদা অকাউবা অমদি অদুম য়াওই হায়বগুম লান হৌগৎলকপদুদা নেক্কে পেরেদ অমা হেক য়াওশিনখিবদগী মীতৈ ফুরুপ অসি কয়া চাওখৎতনা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল মীদিয়াদা উহনখিবা। অমুকসু শেল পায়বা নার্কো কুকি জৌ ফুরুপকী মীওইশিংগী শেলগী লাংদা নেসনল মীদিয়াগী মীওইশিং লোইনা থুবগুম তৌখিবা। মতমদুদা মীতৈ ফুরুপকীদমক্তা কনাসু লৈত্রবগুম্লবা মতমদুদা জে এন য়ুগী ওজা অঙোমচা বিমোল অকোইজম অমসুং নহা ওইরিবা পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট মহেশ্বর থৌনাওজমনা লৌখিবা থৌদাং মীতৈ ঐখোয়না কাউফম থোক্তে। মসিদি ইলেক্সনগী ৰাফমগা মরী লৈনদে, মখোয়না তৌবদু পঙ্গবনি।

মতাংসিদা সোসল এক্টিভিষ্ট খুরাইজম অথৌবা অমসুং ইনভাইরনমেন্টেলিষ্ট লিসিপ্রিয়া কাঙুজমনচিংবসু মখোয়না ঙসি ঙসিমক লৌরিবা অচুম্বগীদমক অমসুং মীতৈ ফুরুপকীদমক পাঙথোক্লিবা থবকশিং ঐখোয়না শৌগৎপীগদবনি। ঐখোয় মীতৈ ফুরুপকী মশীং য়ামজদনা থোরক্লিবা লুচিংবশিং অসিনা পায়খৎলকপা থবক্তা অফবদু ফৈ হায়দুনা থাগৎপগী হৈনবী থমসি। করিগুম্না মচা অমত্তং শোয়খিবা য়াওরবসু মদুতা থিদুনা ঙাঙবগী হৈনবীসু থাদোকসি। ঐখোয় মীতৈগী 'ৰাইখু কলচর' মতম চুপ্পগী ওইনা থাদোকসি হায়বা ৰাফমসি থম্লিংই। মীতৈ অমা লাক্লবদি কিয়ু, মীতৈ ময়াম লাক্লবদি কিরুন্দু হায়বদুসু মতম্না অদুমক অহেংবা পুরক্লবনি। মীতৈশিং লিংজেল মান্নবগী লিচিং অমদি হন্দক্কী মতাংসিদগী লাক্লবনি।

লোইশিল্লকপদা ঐখোয়গী মাঙদা ১৮শুবা লোক সভাগী মীখল লৈরে। মমাঙঙৈদা পঞ্জাব অমসুং অসামনচিংবদা ঈৰাং কল্লি হায়দুনা মীখল য়ৈথোকপগুম্না য়ৈথোল্লরোই। মণিপুরগী মতাংদদি ইলেক্সন কম্মিসনগী মীৎয়েংদা মণিপুরগী লান অসি কন্দনা উরমাল্লে। লমদমসিগী লন্নাই লূপশিং অমসুং লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মায়কৈদগীসু লোক সভাগী মীখল পাঙথোকপা য়াখিরোই হায়না অকনবা ঈহৌ চঙশিন্নখিবসু উনখিদে। অদুনা মীওই খরনা ভোট থাদবা য়াওদ্রবসু ইলেক্সন পাঙথোক্তুনা মণিপুর মীয়ামগী ইন্নর অমসুং আউটর মণিপুরগী মীহুৎ অনীদি শোয়দনা খনগ্গগনি। মতাংসিদনি মীচম মীয়াম ঐখোয়না কনাবু ঐখোয়গী মীহুৎ ওইনা খনগদগে হায়বগী ৰাফম লাক্লিবসি। মী অমনা অমদা তারুদ্রবসু নীংদি নীংশিংনসি থোরক্লিবা মীরেপ পুম্নমক মমা লৈবাকপু নুংশিজবা, মীয়ামগী থৌগল তৌজনীংবা ঙাক্তনি। অদুবু কনানা খ্বাইদগী হেন্না মতিক চাবগে, কনানা লৈবাক্কীদমক্তা করি করি তৌখ্রিবগে অমসুং তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈবগে হায়বদু য়েংলগা খ্বাইদগী মতিক চাবা মীহুৎ খনসি। য়াই থারবা বুদ্ধি লৌশিং পঙশিল্লবা ভোটরদি ওইগুমসি হায়বা ৰাফমসি থমজরি। ●

# 'হন্দক্কী ২০২৪গী ১৮শুবা লোক সভাগী ইলেক্সন অসি মণিপুরদদি খ্বাইদগী মতম চাবনি'

### - ৰাইখোম য়ূমজাও -

১৭শুবা লোক সভাগী মতম লোইরদুনা ১৮শুবা লোক সভাগী ইলেক্সন অসি তাঙ্কক অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা এপ্রিল ১৯ অমদি ২৬তা পাঙথোক্লগনি। মণিপুরদা লৈরিবা ইমা ইবেলশিং, মৈরা পায়বী, ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমদি তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানা হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী কুকিগী তোঙান তোঙানবা কাঙলূপশিংনা অতম্না মীতৈ ফুরুপশিংদা নোংমৈ, থাঙ-তা, চৈতুপ-ৰাতুপ অমদি শিবা য়াবা খূৎলায় কয়া পায়দুনা ইখঙ খঙহৌদনা মীতৈশিংগী য়ুম মৈ থাবা, হাৎপা-তুম্পা তৌরক্তুনা মীওই ২০০গী মথক্তা অশি অনা থোকহন্দুনা মীতৈশিংনা লৈরিবা য়ুম-কৈ, ইস্কোল, দুকান অমদি মাল-চাং কয়া অমাঙ অতা থোকহনবদা নক্তনা মুলবীহৌবদগী মীতৈ কয়া মাগী মাগী মথ্মায় হিংনবা চেন্নরকপদগী ঙসিদি মীতৈ লিশীং ৫০গী মথক্তা লৈঙাক্কী অমদি লন্নাই লূপ অমসুং ক্লব কয়ানা শিনবীবা রিলিফ কেম্পশিংদা তূম্ফম চাফম, শেংনা-চানবা ফিরোল অমদি হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা অৰাৎপা কয়ানা থল্লবা, মমা-মপা, মচা, মচে-মচল, মবুং-মৌপ্পা কয়া কায়নদুনা চেল্লকখিবা কয়ানা মিৎলুগী পিরাং কংদনা পাম্বৈ লৈতনা খা চিক্তুনা খাঙনরি। চহী নৌরিবা মচা ওইবা-ওইবী কয়ানা মমা-মপাগী অয়াবা লৌরগা থা ১১ হেঞ্জিল্লক্লবা চহী ফাজিল্লক্লবা মতমসি ফাওবা চাবা মচেৎ, তূম্না মচেৎ তৌদুনা লোইজি লোয়াদা মমা লৈবাকপু হেন্না লুম্না নুংশিজবদগী মাগী মাগী খুলশিং ঙাক্তুনা লৈরি। মীওই কয়া অমনা থৰায়না পোম্থা ওইদুনা মমা-মপা অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিং শেৎন-খাইনবগী পুন্সি লেল্লি।

কুকি অমদি মীতৈশিংগী মরক্তা থোক্লিবা লান অসিনা মীওই কয়া, নহা-অহল, অঙাং মহৈরোয় কয়া অমা মাগী-মাগী হান্না তৌজরম্বা শিনফম কয়া মাঙথরক্তুনা ইমুং অমা হিংনবা হোৎনজরম্বা কয়া, মহৈরোয় কয়া লাইরিক-লাইশু তমদুনা লৈজরম্বা কয়া কাং-খোং চাইহন্দুনা পুক্লিং ৰাখল অমদি হকচাংগী ফীভম কায়হন্দুনা ৰানা পুন্সিসে শোয়নাইহন্দুনা লেল্লি। অৰাবগী শরুকশিংদি অদুক্কী মতিক য়ামখ্রে। চহী নৌরিবা-নৌরিবী মহৈরোয় হেমঞ্জিৎ অমদি লিন্থোইঙম্বীবু মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীখ্রবা কয়া অমনা ওৎপা-য়াবা ওৎলবা মতুংদা মঙক কক-কক্তুনা হাৎতোকপীখ্রবা কয়া লৈবাক মীয়াম্নসু হেন্না খঙবীরে। ঐনা লীরুদুনা-তমদুনসু লোইরোই, খঙদবা কয়াসু লৈরমখিনি।

মসি পুম্নমকসি লৈবাকসিগী য়াইতোং খমদোংবা, লুচিংবা, মন্ত্রি-মন্দলশিংসিনা মতিক চাদবা, ৰাখল য়াওদবা, য়াম্না পঙবা, মীচম মীয়ামদা নৈরগা নুংঙাইজবা অমদি মরৈবাক নুংশিবগী থস্মোয় মচেৎ অমফাও পান্দবশিং অসিনা থোকহনবনি হায়বসি ঐখোয় লোইনা খঙলবা নৎত্রা? খঙদবা কাঙবু য়াওরল্লগদি মখোয়সু খঙনবা হোৎনবীয়ু।

মথক্তা পনখ্রিবা লুচিংবশিং সেন্টরগী য়াকাদা 'জি হাঁ, জি হাঁ' হায়দুনা চৎলিবশিং অসি লমদম অসিদা লৈরিবা মতিক চাদবা ভোটর ঐখোয় ময়াম্না ভোটকী মতমদা ঐখোয়গী মমল য়াল্লবা হকশিং অদু শেল খরনা অমদি য়ু-ময়াই কাবা চীঞ্জাক ময়াম অদুগা ওন্নরুবগী মহয়নি। ঙসি ঐখোয় মীচম মীয়াম্না তারিবা অৰাবা অসি ঈৰাং অসি কনানা থোকহনবনো, কনানা রিমোটকী স্বিচ মেৎপনো হায়বদুসু ঐখোয় হৌজিক্তি ময়েক লানা খঙলে। মণিপুরসি ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমনি, মণিপুরদা থোকপা থৌদোক-ৰাথোকসি ইন্দিয়া মনুংদা থোকপনি, অদু ওইরগদি লৈবাক অসিগী মকোক ওইরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ মরু ওইনা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াসিবু নুংশিরগদি ঈৰাং থোকপা মতুং শাংলবদা চয়োল অমগী মনুংদা লোইশিনবা য়ারম্বনি। সেন্টরদসু বি জে পি, ষ্টেটতসু বি জে পিগী লৈঙাক্লি, দবল ইঞ্জিননি হায়দুনা ঙকচাউ থেক্তুনা য়াম্না মখৌ পোঙনা ঙাঙজরম্বনি।

হন্দক্কী ঈৰাং অসি বি জে পি নত্তবা অতোপ্পা পার্টি অমনা হেক্তা পাল্লক্লগসু মাগী লৈবাক্কী অমদি ইমুংগী ইস্যু ওইবনিনা শুকশোয় শোয়দনা সোম্ব তৌরল্লোইদবগী মরম লৈত্রা? থৌদাং লৈবা মখোয়না থৌদাং লৌদবা হায়বসি য়াম্না চিংনীংঙাই ওইরি। মখোয়গী করম্বা অরোনবা প্লান অমা লৈরমগদগে হায়বসি।

হন্দক ইন্দিয়াগী ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরিবী সিথারমনগী মপুরোয়বা 'পরাকালা প্রভাকর' না হায়বা পাউ অমা তাই হন্দক্কী ২০২৪সিদা নরেন্দ্র মোদিনা অমুক হন্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগদি ইন্দিয়াগী মেপতা অহোংবা অমা লাক্কনি হায়না। চিংননীংঙাইগী চিংননীংঙাই ঙাক্তনি।

হন্দক্কী ঈৰাং অসি কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরবা মতুং ইকুই কুইদনা 'ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স' কী অখন্নবা 'এয়র ক্রাফ্ট' ময়াম অমা অহিং-নুংথিল খাক্তনা আর্মি ময়াম অমা ফেজ নাইনা লিশীং ৪০/৫০গী মথক্তা পুশিল্লকখ্রে। মখোয় ময়াম অমা লাক্লবনিনা কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৌদা লান্দাবগী থবকসে নুমিৎ ২/৩গী মনুংদা ফরদবোই নীংলুই অদুগদি নোংমৈ কাপ্পা খাম্না হায়ববু কুম্মৈ য়েংদুনা লৈরকপদুনা ঙসি ফাওবা য়েংদুনা লৈরি।

আর্মিগী কেম্প হেক মনাক্তা কুকিশিংগী বঙ্কর শাজিনবদা য়েংদুনা লৈরি। ষ্টেটকী পুলিস ফোর্সকী ষ্টেসনগী থোঙ্গাল (গেট) মক্তদা অসাম রাইফলসকী বুলেট প্রুফ গাড়ী থমজিন্দুনা থক্তুনা থম্না। অসাম রাইফলসকী স্লোগান্দা 'ফ্রেন্দস ওফ হিল পিপল' হায়বদো চপ চানা উংখি, ঐগী মত্তদি অসাম রাইফলস আর - 'ফ্রেন্দস ওফ হিল পিপল এন্দ এনিমি ওফ ভেল্লি পিপল' হায়বদু হন্দক্কী ঈৰাং অসিদা চপ চানা থোকখি হায়না খল্লি।

ইম্ফালগী চেক্কোন এরিয়াদা য়ুম মৈ চাকপগী থৌদোক অমদা কনবা চঙলুবা ষ্টেট অসিগী ফয়র ফাইটর ওফিসলশিং অমদি ওফিসর য়াওনা রেপিদ এক্সন ফোর্স (আর এ এফ) শিংনা ফূবা চৈবা তৌখি। মদুদা নক্তনা পাউমীশিংনা নম্বা ফোটোশিং নমদুনা দেলিট তৌহন্দুনা ফূ চৈবা তৌখি। মসিদা নক্তনা আর এ এফ পর্সনেল অহুম্না বোড়াদা পেট্রোল হৈজিন্দুনা দুকান খরা মৈ থাখি। মসিনা কাঙলূপকী লানসি থোয়না হেন্না পাকথোক চাউথোক্লবা হোৎনখি। কুকিগী মীচংদা মীয়ানচা সিফাইশিংনা মীতৈশিংদা চথরিবা থৌওংশিং অসি মথক্তগী অঙক্সশিংদগী ওর্দর অমদি দিরেক্সন অমা পীরকপা নৎত্রগদি লাক্লিবা সিফাইশিং, ওফিসরশিং অসি লাইরিক লাইশু শুক্তম তমদনা চঙলকপদি ওইরল্লোই। মখোয়সু করম্বনা অচুম্বনো, করম্বনা অরানবনো হায়বা খনবা ঙম্বগী কোক অমদি পাল্লমগনি খল্লি। অদুবু মকোক চাকপা মীনা তৌগদবা থৌওং ময়াম অমা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী সিটিজন অমদা তৌগে য়াওনা তৌরিবশিং অসি লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরগী অচৌবা মরাল অমা ওইফম থোক্তবরা? লৈবাক অমগী মকোকসু ওইসনু মখোয়না অচৌবা মরাল অমা তৌরগদি মখোয়গী মথক্তা এফ আই আর অমা লৌখৎলগা ফাবা পূনবা য়ারোইদ্রা? হান্নগী লোদা য়াওরমদ্রগনা অনৌবা লো অমা শেল্লগা ফাবদি য়ারোইদ্রা?

হন্দক্কী মীখল অসিদা নরেন্দ্র মোদিনা অহুম্লক শুবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরক্লগদি 'ইন্দিয়াগী মেপ' অসি হোংলকপা য়াই হায়না বি জে পিগী ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরিবী সিথারমনগী মপুরোইবা পরাকালা প্রভাকরনা ফোঙদোকপা থেংনৈ। ঐখোয় হৌজিক নোংম-নোংমগী য়াম্না চেকশিন্নীংঙাই ওইরি, ইলেক্সন মতম অসিদা মীয়াম মরু ওইনা নহারোলশিং, নুপী-অঙাং, মৌনহা, মৌ ময়ায়, মৌ অহল খরা এম এল এ অমদি কেন্দিদেট ওইগদৌরিবশিংগী য়ূমদা শুরু-শুরু নৈদুনা লৈবা অমদি মতম মাঙহনবগী থবকসে থাদোক্লসি। মরমদি মতিক চাবা মীরেপ খনবা হৈতবা মীয়াম ঐখোয়না খনখিবা মীওইশিং অদুনা মীহুৎ ওইরক্লবা মতুংদনি ঙসি ঐখোয়না অৰা মৈশা লাংলিবা অমদি মীতোপশিংগী মমাঙদা ইকায়বা নংলিবা।

মীয়ামদা হৌজিক মোইথেম তৌদুনা ভোট খোক্স্বগী পাউসু খরা খরা তানরি। হন্দক্তি খ্বাইদগী মতম চাবা অমদা ভোট তৌবনিনা য়েক্লবনা কনানো? মরুপ্পা কনানো হায়বা ময়েক শেংনা খঙলবনিনা মীয়াম্বু ৰাহল্লিবা য়েক্লববু চপ চানা লমন খুমহৌরসি। হন্দক্কী মতাংসি নাম্থোকখ্রবদি হৌজিকসু অমদি তুংদসু অৰা মৈশা লাংদুনা ঐখোয় মশেল পাঙ্গল পুথোক্তুনা পূম্না লেপমিন্নদুনা য়েক্লবা মায়থীবা পীবা ঙমহৌদ্রগদি ঐখোয় মশেল, ঈ মশেলগী লান অমসু থোক্লক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে।

ভোটর ঐখোয়দি কেন্দিদেটতগী কৈদৌনুংদা শেল লৌরগা ভোট থাদনবা হোৎনরোইদবনি অদুবু নমদুনা খূথাংদা শেল য়েল্লক্লগদি লৌশিনবীয়ু অদুগা ভোটতি খ্বাইদগী মতিক চাবা মীদু খল্লগা পীবিয়ু। মীখল খুদিংগী হায়রিবা থৌওংশিং অসি ভোটর ঐখোয় খুদিংমক্লা তৌবা ঙম্লগদি শেলদি পায়বা তৌবা ঙম্বা মতিক্তি চাদবা কেন্দিদেটশিংসে ইরায় লায়না খুন্নাইসিদগী লাপথোকহনবা ঙমগনি। করিগুম্না মসি ঙমহৌদ্রগদি ঐসে, ঐখোয় ভোটর ঐখোয়সে খুন্নাই অসিগী য়াম্না চাউবা য়েক্লবা অমগা পাঙ্ক্লি, মসি ঐখোয় খঙসি খঙমিন্নসি।

হন্দক্তি মাগী মাগী রিলিফ কেম্পশিংদা ভোট থাদবা য়ারগদবনিনা মনীং তম্না অপাম্বা মীদা ভোট থাদবা ফংলনি, প্রোক্সি ভোটসু লৈররোই। মরম অদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈবীরিবা অমদি লৈবাক মীয়াম্না মাঙজিল থানা থোকপীরক্তুনা হন্দক্কী ভোটসি শুকশোয় শোয়দনা থাদহৌসি। পেন্দবা নুংঙাইতবা ময়াম অমা লৈ হায়দুনসু থাদহৌদ্রগদি কাহন্নীংদবা মীনা কাখিনি, কোম্না তকশি শোনবনদি য়েক্লবদা মতেং পাংবা ওইনা থোক্কনি। মরম অসিনা হন্দক্তি পোলিটিকেল পার্টি য়েংদনা খ্বাইদগী মতিক চাবা মীদুদা ভোট পীহৌরসি। পার্টিগীদি থোইনা মথৌ তাদে, থোইনা হেন্না লুরিবদি মীহুৎ ওইগদৌরিবদু খ্বাইদগী মতিক চাবদুনি। হৌজিক পাল্লিবসিদি মীয়ামগী য়েক্লবা হায়বদু ওইরে হায়বদি কোলেজগী ওজা ১ কৌবদা য়ামদ্রবদা মাষ্টর দিগ্রী, পি এচ দি ওইগদবদু শঙ্ক লৈ হায়দুনা ক্লাস টেন খক্তা তন্নিবা মী অমনা শঙ্ক লৈ, শেল পায় হায়দুনা কোলেজগী ওজা ওইরুবদগী তারিবা অৰাবনি, মীয়াম্না রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অসিসু লৈঙাক অসিনা মীথিবোং মীতম্বাল ওইরম্বদগীনি। নেসনল পার্টি অতৈসু লৈরিবা লৈঙাকসিগী মমাঙদা চাংয়েং তৌখ্রে। মীয়ামসিগী পেন্নবা করিসু তৌবা ঙমখিদে। হায়ফেৎ অদুম ফৎখিদে অদুবু লৈবাকসিগী অচৌবা ইস্যু অমদা য়াম্না মরীল লৈনা থবক অমদি তৌবা উখি। মখোয়নসু হন্দক কা হেন্না মতিক চাবা মী অমা পুথোক্লি। ঐখোয় হৌজিক পার্টিগী ৰাখল থাদোক্লগা অফবা মীরেপ খনবা ঙম্বগী পাঙ্গল-লৌশিং শীজিন্নবদু হন্দক্কী ১৮শুবা লোক সভাগী মীখলসিদগী তুংদা লাক্কদবা মীখল কয়াগীসু য়েংলগা তমহৌরসি, তুংগী মীরোলগী য়াইফনবগীদমক। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৮

১) ''রাজা ভোজ অমসুং কালিদাসকী ৱারী'' হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

২) ''য়েকখ্রবা ময়ি'' হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৩) ''ঐগী ঈশৈ নঙগী শুর'' হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) ''ফিদম'' হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৫) ''তাবুনুংগী লীক্লু পরেং''হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৭কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

***১) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (২,৪,৫)***

২) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২,৪,৫)

৩) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (২,৪,৫)

৪) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (২,৪)

৫) মাইবম কাঙজাম্বা মৈতৈ, লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায় - (২,৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৮৭কী ৱিন্নর*

***তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৮৭কী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৭কী পাউখুম

১) ''চাণক্য নীতি'' (২০১৩) হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
**:- মণিপুরীদা হন্দোকপা - ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা,**
**ফাষ্ট এদিসন : দিসেম্বর ২০১৩।**

২) ''মালেম অতিয়া'' হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? **:- অইবা - ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনী, লাইরিক্কী মখল - অঙাংগী ৱারী, ফাষ্ট এদিসন - ২০২২।**

৩) **''শাউনরগা মখোয় মশেল**
**মীচঙ খোল্লদুনা নাকপাক নাকপাক**
**লেপ্নে শীংনদুনা**
**লান তৌনৈ**
**খম থেংনা নুংশিনদে।''**

শৈরেং মতেক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেংনো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?
**:- অইবা - শরতচান্দ থিয়াম, লাইরিক্কী মমিং - অফ্রিকা, লৌথোরকপা শৈরেং - শিঞ্চবশিংগীদমক, অহানবা ফোঙবা : ফেব্রুৱারী ১৯৯৩।**

৪) ''থৰাইগী মনি সনামতুম'' হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং হায়য়ু। **:- লাইরিক্কী মখল - দ্রামা, অইবা - মুতুৱা তোম্বা, খূৎনম : অহানবা, কুমজা ২০১১ (ওগষ্ট)।**

৫) ''অনীশুবা লাঞ্জাওগী বোম''হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
**:- অইবা - এ নিরঞ্জোয় শর্ম্মা, লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাগী লাইরিক, অহানবা ফোঙবা : ২০০৯।**

# মীখলদা শরুক য়াজরোই হায়রকপা অমুক্তগা খন্থহন্নীংই

### - সোরোখাইবম ইমোচা -

চহী অমা ফারক্কদৌরবা কুকিগী লান পাক লেপকদবা মান্দে। নুমিৎ খরনি নোংমৈ কাপশিল্লকপা লেপ্পীসি সেন্টর লৈঙাক্লা মীখল তৌবা য়াননবা, মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিল্লক্লে হায়বা য়ানবা কুকিশিংদা নোংমৈ কাপ্পা লেপখো হায়বগী লেপ্পিবনি খল্লুই অদুবু লাল্লম্মে। লানসি পাক লোইশিনগদৌবা মান্দে মরমদি লান লোইশিনহনবা ঙম্বনা লান লোইশিন্নবা করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎলক্ত্রি। কদাইদা লৈখ্রবনো খঙদবা পিছ কম্মিটি অমা শেম্বা, করি তৌখ্রবনো খঙদবা ইনক্বারি কম্মিসন অমা শেম্বা নক্তনা করি তৌখ্রবগে অমদি তৌরিবগে হংবা য়াবা ৰাহংনি, হংবীনবা অমদি হংবা ঙম্বা লৈতবগীনি। ইরমদমগী লৈঙাকপসু মখোঙ মখুৎ, মচিন পুনশিন্দুনা থম্বগা চপ মান্নে। বফর জোন হায়বা লৈতে হায়নি, নোংমৈ কাপশিল্লকপা খিক্তং লৎপগা ঈং-তম্পা হঞ্জিল্লক্লে লাউবা নক্তনা করিসু হায়নীংঙাই লৈতে, তৌনীংঙাই লৈতে। চীংদগী নোংমৈ কাপশিল্লকপা থিবা হুম্বনা তম্পাক্তা তৌবা। তম্পাক্কী ফাগৎখিবা নোংমৈদি মনাক নকপদা লৈবা পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নে হায়বদা ঐখোয় থাজবা ঙম্মী অদুবু চীংদগী ফাগৎলকপা নোংমৈশিং চীংগী অনকপা (জুরিসদিক্সন মনুং) পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নে হায়বদা করম্না থাজরুগনি।

চুড়াচান্দপুরদগী মোইরাংলোমদা লাকপা কুকি নোংমৈগা কোন্ননা ফারগা পুখিবদু পুলিস ষ্টেসন য়ৌদ্রিঙৈদা মীয়াম্না লন্নীদগী মুনখ্রে হায়রিবদুনি। মদুগী মথক্তা চুড়াচান্দপুর দি সী অমদি এস পিগী ওফিস মৈ থাবা ঙল্লিবদুনি। চীংদদি লো লৈতে হায়রিবদুনি। তম্পাক্তা খুল ঙাকপা য়াওবশিং ফাবা অদুদগী হেন্দাক্তুনা লৈঙাক্লা ৰারী শানরগনি হায়না য়ানবা অমগী মখাদা ফোঙনা থোরকখ্রবা লালহৌলুপ অমগী মরু ওইবা মীওই অহুম ফাখিবদা ঐখোয়গী লুচিংপুরেলনা মরাল লৈরমদ্রবদি থাদোকপীরকউ হায়খ্রে হায়বা নক্তনা করিসু তৌজবা ঙমজদে। আউটরগী মীরেপ অমনা মুক্ররিবা ফুরুপ অনী ৰারী শানরগা ঈং-তম্পা হঞ্জিল্লক্কদরা হায়বসি হংনীংঙাই ওই। মরমদি মীতৈদি হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিল্লকপদা য়ানীংদবা লৈরোই অয়াম্বনা অদুবু কুকিশিংদি য়াগদরা? কুকিনা তাল্লিবা দিমান্দ মীতৈশিংনা পীবা ঙম্বরা? মণিপুর অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তানগদবা দিমান্দবু মীচম মীতৌদা ওনশিল্লগা তান্নি খল্লিবা কুকিশিং নখোয়বু করম্বা শাগুল্লবা মীনো? অদুগা অমুকসু দেল্লীগী অঙম্বশিংনা য়াদুনা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা ঙাক শেলহন্দুনা বফর জোন থমজিন্দুনা মীতৈশিংদা নোংমৈ কাপশিনহনবা। ঐখোয় মীতৈশিং পুম্নমক খঙলবসু পাম্বৈ লৈতবনা খা চিক্তুনা খাঙদুনা লৈরিবনি। ''অকনবনা অচুম্বা শকই'' হায়দুনা দেল্লী লৈঙাক্লা তৌনীংবতা তৌবদা মীচমদি লায়রদনা লৈরিবা লৈঙাক অসি ফাওবা করিমত্তা হায়জবা ঙমদ্রিবনি চৌক্ত্রি শোয়দনবা লাক্লবদা। মতম চুপ্পগী ওইনা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্লো হায়বদি হায়রক্লমদৌবা মান্দে। মরমদি চহী ফারক্কদৌরবসি অমুক্তা হায়জরক্তবা অমদি লেপননবা থবক অমত্তা পায়খৎলক্তবনা মরম ওইদুনা। অদুনা মীখল লোইবগা হেন্না কনবা লান লাক্কনি হায়দুনা মীয়াম্না ঙাঙনরিবা, খন্নরিবা অচুম্বা ওইবসু য়ারি। লূপ খরনা মীখল য়ৈথোকপীনবা ইলেক্সন কম্মিসন অমদি সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিসতা হায়জখিবা কান্নগনি থাজদে।

হৌজিক লাক্কিংলিবা ৰাফমদি ১৮শুবা লোক সভা মীখলদি শোয়দনা পাঙথোকখ্রুনি। মী অমখক্তনা থাদরবসু ভোট অদুম কারে লাউথোকখ্রুনি। ইন্নরদা কেন্দিদেট ময়াম ভোট য়েন্নখিবদা মীয়াম্না কাহন্নীংদবা কেন্দিদেটতনা ভোট কাখিবসু তম্না ঙমদে। ঐখোয় পুনশিনসি, মীপুম খুদিংমক্লা লাউই - পাউচেদা, টিভিদা, অখঙ অহৈনা, মীচম্না, পোলিটিকেল পার্টিশিংনা, লূপ কয়াগী লুচিংবশিংনা লাউরিবমখৈ অনৌবা লূপ হেনগৎলকই। মীখলদা অপূনবা মীরেপ থাগৎসি, পুনশিনসি অমত্তা ওইনা থেংনসি লাউরম্বদুনা মীরেপ ওইনা চোঙথোরকই। পুনশিনবগী, কথোকপগী মতাংদদি কম্যুনিষ্ট পার্টিবু থাগৎতবা ঙল্লক্তে। মীরেপ মমিং লাউথোক্লরবসু তোক্লগা অতোপ্পা শৌগৎলিবনি, তমজনীংঙাইনি। লান হৌরকপদগী মায়রোং য়ানা থেংনরক্লিবা ঈচা ইনাওশিং, ইমা ইবেলশিং, রিলিফ কেম্পতা অৰা চৈনা খাঙলক্লিবশিং অশাউবা অমদি পেন্দবনা হেনমনখিবনা মীখলদা শরুক য়াররোই হায়না মায়কৈ কয়াদগী লাউথোক্লকপা ৰাখল অমুক্তদি খন্থহন্নীংই। মরমদি ঐখোয়না মীখলদা শরুক য়াদবা (ভোট থাদদবা) হায়বসি ঐখোয়গী য়েক্লবনি খল্লিবশিংদা মতেং পাংবগুম্বনি। কুকি এম এল এ ১০ অমদি কুকিগী লূপশিংনা পাল্লিবা লৈঙাকসিনা সপোর্ট তৌবা কেন্দিদেটতুদা (আউটরগী) মখোয়সু সপোর্ট তৌগনি লাউথোকখ্রে। আউটরদা তম্পাক্কী এসেমব্লি সেগমেন্ট নিপাল য়াওরি। ২০১৯গী মতুংইন্না (১) হৈরোক (৩০,৮৮৮), (২) ৰাংজিং তেম্বা (৩২,৬২৩) (৩) খাঙবোক (৩৬,২১৪) (৪) ৰাবগাই (৩০,৫৩২) (৫) ককচীং (২৯,০২৪) (৬) হিয়াংলম (২৬,৮৩৯) (৭) শুগুনু (২৭,২৮৭) (৮) জিরিবাম (২৭,৬২২) পুম্না ভোটর ২,৪১,০২৯নি। হন্দক্কী মীখলসিদদি মশীং হেনগৎলম্বসু য়াই। মখোয় ভোট থাদবদি য়াই লেপ্পদি য়াদে। অদুনা আউটরগী ভোটতি তম্পাক্কী ভোটরশিংনা মরাইবক লেপকদৌরিবা ভোটনি। মসিদা ঐখোয়না ভোট থাদদবা হায়বসি কুকিশিংবু শৌগৎপনি হায়বদা ১০০দা ১০০ চুম্লবা ৰাফমনি। ইন্নরগীসু অদুমঙাই ঐখোয়না পামদবা কেন্দিদেটতুগী মায়োক্তা ঐখোয়গী অপাম্বা কেন্দিদেটতুদা ভোট থাদবগী মহুত ভোট থাদ্রদবদি পামদবা কেন্দিদেটতুদা ভোট পীবগা চপ মান্নে।

মতাং অসিদা 'মৈ অটল হুং' হায়বা অটল বিহারী বাজপায়গী পুন্সি ৰারীদা য়ুম্ফম ওইবা সিনেমাদুদা বাজপায় লৈঙাক্কী নো কনফিদেন্স ভোট লৌরমদাইদা এল কে অদভানিনা বাজপায়দা হায় মদুদি সিক্কিম অমদি মণিপুরগী এম পিদি ওপোজিসননা লৈখ্রে অদুনা মখোয় ভোট থাদবা লাক্লরোই। এপ্রিল ২৭, ১৯৯৯দা পাঙথোকপা নো কনফিদেন্স মোসনদা বাজপায়গী লৈঙাক্লা ২৬৯ ফংলগা ওপোজিসননা ২৭০ ফংদুনা ভোট অমখক্তংদা লৈঙাক তুখি। মদুদা ভোট থাদবা এম পি অমসু য়াওখি কনানো হায়বদি খঙদে। অসুম্না ভোট থাদদবা হায়বসি অতোপ্পা মায়কৈদা কান্নহন্নবা থাদদবসু লৈ। অদুগা মসিমসু হায়নীংই মদুদি কুকিগী লানসি লোইদ্রি, ভোট পাঙথোকপা য়ানবা নোংমৈ কাপহনবা ঙাইহাক লেপহনবগী ৰানি। ঙৰাং নহান্দগী অমুক হৌরল্লিবসিনি। ভোট লোইবগা নোংমৈ কাপ্পা হেঞ্জিল্লক্কনি। পাল্লিবা সেন্টরগী লৈঙাকসি অমুকসু হল্লকপা তারবা লান মখা শুকশোয় শোয়দনা চথরক্কনি নৎত্রগা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন পীথোকখিবা অনীগী মনুংদা অমদি শোয়দ্রবনি। অদুনা ইমা ইবেল, ইচিল ইনাও, ইচাশিং, রিলিফ কেম্পতা অৰা কোঙ্গাই খাংবীরিবা পুম্নমক অশাউবা নুংঙাইতবা পুম্নমক ফাথবীদুনা ইরমদমগী অৰাবসিদগী খরদং ওইরবসু কোকহনবা ঙমগদবা ঐখোয়গী ওইবা মীরেপ্তু খনবীদুনা মীখলদা শরুক য়াবীদুনা ঐখোয়গী তুংগী ফীভম খরদা ওইরবসু ফগাৎনবা হোৎনবনা ঐখোয় পুম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি হায়জনীংই। ●